৩৬শুবা ইন্টর ক্লব এন্দ ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস

# সব জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলসতা লিয়া চনু, জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসতনা কোলমেননা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা থাওগ্রাউন্দদা লৈবা টেবল টেনিস একাদেমিদা পাঙথোকপা ৩৬শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা লিয়া চনুনা য়েনশেম্বম লখিপ্যারিবু সেট ৪-১দা অদুগা জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা এন কোলমেননা থোমাস এলাংবমবু সেট ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

৩৬শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়েনশেম্বম লখিপ্যারিনা এ কে রোসিনিবু সেট ৪-২দা; ঈ নিকিতানা কে ঐচ শুসিবলাবু সেট ৪-২দা; এম দীপানা ঐচ য়াইফবীবু সেট ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

সব জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা য়েনশেম্বম লখিপ্যারিনা ঈ নিকিবু সেট ৪-০দা; ঐচ লিয়া চনুনা এম দীপাবু সেট ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কেদেট গর্লস সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা কে ঐচ লোয়ালেম্বীনা বিতুবু সেট ৩-১দা; কে ঐচ শুসিবলানা কে রানিবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখি। কেদেট গর্লস সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা কে ঐচ লোয়ালেম্বীনা কে ঐচ শুসিলাবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

জুনিয়র বোইসজকী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা এন কোলমেননা এ বাইরালবু সেট ৪-২দা; থোমাস এলাংবমনা আর কে মোহিটপু সেট ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

জুনিয়র গর্লস সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ঐচ সেনরিটানা ঐচ লিয়া চনুবু সেট ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

# ককচীংগী এল রাহুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই ভেনসপু মায়থীবা পীদুনা সব জুনিয়রগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোকপা ষ্টেট লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ফোর মেন এন্দ ৱিমেনগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৪৬কী ফাইনেলদা ককচীংগী এল রাহুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাই ভেনসপু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৫দগী নুপীমচা ১০৬ অমসুং নুপামচা ১৯৭ পুন্না শান্নরোয় ৩০৩ শরুক পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সব জুনিয়র গর্লসকী তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটেগোরিগী ফাইনেল মেচতা মায় পাকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৪০গীদা থাংজম স্নেহা চনু, কেজি ৪৩গীদা এম দেবিনা, কেজি ৪০গী ২০০৫-২০০৬কীদা ঈ থোইচা, কেজি ৪৩গী ২০০৫-২০০৬কীদা কলপনা, কেজি ৪০গীদা এস সুরমলা চনু, কেজি ৫২গীদা টি ঐচ প্রামেশ্বরি, কেজি ৫৫গীদা টি ঐচ সুরপ্রিয়ানি। জুনিয়র ৱিমেন্সকী ফাইনেল মেচতা মায় পাকখ্রবশিং অদুদি কেজি ৪৬কীদা টি সোফিয়া, কেজি ৪৮গীদা সী ঐচ খালেং, কেজি ৫২গীদা ঈ থোইথোইবী, কেজি ৫৪গীদা অথিফ্রো, কেজি ৫৭কীদা সোনি জাজোনি।

য়ুথ ৱিমেন্সকী ফাইনেল মেচতা মায়পাকখ্রবশিং অদুদি কেজি ৪৮গীদা থৌনাওজম এলিজা, কেজি ৫২গীদা সনাথোই হেমাম, কেজি ৫৪গীদা ঐচ অশালতা চনু, কেজি ৫৭কীদা আর এস থোটয়োলা, কেজি ৬০গীদনা থৌনাওজম এলিনানি।

এলিট ৱিমেনগী কেজি ৪৮গী ফাইনেলদা সোইবম রেবিকা অমসুং কেজি ৫১গীদনা কে ঐচ মোনিকা মায় পাকখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজকী ফাইনেলদা মায় পাকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৩১গীদা সী ঐচ নাওবা, কেজি ৩৩গীদনা এ জেকসন, কেজি ৩৫গীদা এম জেট, কেজি ৩৭কীদা এম য়াইখোম্বা, কেজি ৪০গীদা এ রোনালদো, কেজি ৪৩গীদা টি ঐচ নিলবির, কেজি ৩৫গী ২০০৫-২০০৬কীদা কে ঐচ বিদ্যানন্দ, কেজি ৩৭কী ২০০৫-২০০৬কীদা টি অমরজিৎ, কেজি ৪০গী ২০০৫-২০০৬কীদা বিকাস য়েংখোম, কেজি ৪৩গী ২০০৫-২০০৬কীদা ঐচরিশিমঙাং, কেজি ৪৬কীদা এন চীংলেনম্না, কেজি ৪৯গীদা দল্লিয়ু লমজিংবা, কেজি ৫২গীদা টি ঐচ বিশ্বামিত্র, কেজি ৫৫গীদা চীংলেম্বা, কেজি ৫৮গীদা এল রাধেশ্যাম অমদি কেজি ৬৪গীদা এল রাহুল মায় পাকখ্রে। জুনিয়র মেনগী কেজি ৪৬কী ফাইনেলদা এল শ্যামসন অমদি পি জেকসন অমদি পি কিংসন মায় পাকখ্রে।

১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল

# এস আর দি সী, এ কে এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস আর দি সী অমসুং এ কে এস এ মায় পাকখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৭শুবা কিশোরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা এস আর দি সী অমসুং জে এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা অদুদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৪২শুবা মিনটতা এস আর দি সীগী শান্নরোয় শাইলিন চোথে জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল চন্দুনা একাউন্টহাংখি। অদুবু জে এগী মায়কৈদগী মেচকী ৫৪শুবা মিনটতা ঐচ ওলিভর জর্সি নম্বর ১৪না ইক্বেলাইজ তৌদুনা মেচ অদু ১-১দা লৈহনখি। এস আর দি সীগী শান্নরোয় কে ঐচ সুরজিৎ জর্সি নম্বর ১৭না মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২-১দা অমুক লৈহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা জে এনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ আই এফ এ অমসুং এ কে এস এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফতা টিম অনীনা অকনবা মওংদা এটেকশিং চথুনখি। মেচকী ৬শুবা মিনটতা এ কে এস এগী শান্নরোয় সমানন্দ জর্সি নম্বর ২৩না পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনটখরা কান্নরগা মেচকী ১৩শুবা মিনটতা এ আই এফ এগী সোমেন্দ্রো জর্সি নম্বর ১০না ইক্বেলাইজ তৌদুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ১-১দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফতা এ কে এস এগী মায়কৈদগী শান্নরোয় মাইকেল জর্সি নম্বর ১৪না মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এ আই এফ এনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এ কে এস এনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখি।

# কোচ অমসুং শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল মোদেল এন্দ সোসল এক্তিভিষ্ট অদুগা হ্যুমেন ইনিসিএটিভস মণিপুরগী ৱিমেন কোওর্দিনেটর ময়াংলম্বম দাইনানা হন্দক্তা চান্দিগড়দা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মেদল কয়া লৌরক্তুনা মণিপুরগী মীংচৎ পুরকখিবা শান্নরোয়শিং, কোচ, জজ অমদি ওবজার্ভরশিং ঙসি অচম্বা থৌরম অমদা ইন্দিয়া গেটতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ময়াংলম্বম দাইনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না হৌজিক্কী হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসি ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা লুপশিল্লকপগুম তৌরে অদুনা গেমস এন্দ স্পোর্টসতা হেন্না পূক্লিং চিংশিনবীদুনা অফবা তিঙ্গং কায়জংদবা খুন্নাই অমা শেম্বদা শান্ন-খোৎনবনা অচৌবা থৌদাং অমা পুরি অদুনা ময়াই কাবা চিঙ্গাকপু শান্ন-খোৎনবদা হেন্না পূক্লিং চিংশিনবীদুনা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকখি। মখা তানা লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লদুনা শান্নরোয়শিংগী ৱেলফেয়র স্কিম হেন্না পীবিনবসু হায়জখি।

# ট্রায়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএনএস): হিমাচল প্রদেশতা ওক্টোবর ৪দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা সিনিয়র মেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী বোক্সর খন্ননবগী ট্রায়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২৩দা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উৎলৌদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই)- স্পেসল এরিয়া গেমস (এস এ জি) উৎলৌ সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রায়েল সেলেক্সন অসিদা ৱেথ কেটগোরি ১০দা মণিপুরগী বোক্সর খন্ননবা হোৎনগদৌরি। ৱেথ কেটগোরিশিং অদুদি কে জি ৪৬-৪৯, কে জি ৫২, কে জি ৫৭, কে জি ৬০, কে জি ৬৩, কে জি ৬৯, কে জি ৭৫, কে জি ৮১, কে জি ৯১ অমসুং কে জি ৯১ মথক্কীনি। মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অসিনা মখা তারদুনা বোক্সরশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নবগী কিটশিং, আধার কার্দ, ফোরেন পাসপোর্ট, পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ ২গা লোয়নরক্কদবনি হায়রি। অমদি এসোসিএসন অসিগী টেক্নিকেল ওফিসলশিংনা উৎলৌ সাই সেন্টর অসিদা সেপ্টেম্বর ২৩গী পুং ৭.৩০দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# বুলারামনা মোর্দন মোমোরিএল এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): মৈপৌ সোক্কর য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এম এস ৱাই দি ও) না শীন্দুনা লাইচীং মাইপৌ প্লেগ্রাউন্দদা চথরিবা ১৮শুবা সভেন মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা বুলারাম এফ সিনা মোর্দন মেমোরিএল এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা ঙসি মোর্দন মেমোরিএল এফ সি অমসুং বুলারাম এফ সি লম্বা তৌনখি। মেচ অসি টিম অনীনা লম্বা চানা হেনজিন্নবা ঙমদনা শান্নখিবনা মেচকী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীমক এটেক কয়া চথুরবস মেচকী অরোইবা মিনট ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী টিম অনীমক পেনাল্টিগীদমক শেম শান্নখি। পেনাল্টি কাউনবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয় ৫/৫না বোল কাউখি। মদুদা বুলারাম এফ সিগী মায়কৈদগী গোল অনী চনখি। অদুগা মোর্দন মেমোরিএল এফ সিগী মায়কৈদগী গোল অমখক চনবা ঙমখিবদগী মেচ অদু বুলারামনা মোর্দন মেমোরিএল এফ সিবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

# সন্তোস ত্রোফি ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): অগরটলাদা চথুগদবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ফোর সন্তোস ত্রোফিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ ফোর সন্তোস ত্রোফিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অদুদি নাকো ক্লবকী কে ঐচ দেবেন, কে এল এ এস এ ক্লবকী ঐচ প্রসানজিৎ, নিশা ক্লবকী এ দি অজমির ছেত্রি, নিশা ক্লবকী এম ক্লিন্টন, এফ সী জালেন ক্লবকী টি নেলসন কোম, দি এম রাও টিমগী এন অরুনকুমার, য়ু কে বি ক্লবকী লালমিনলিয়ন ভাইফৈ, ৱাইয়ু এফ সী ক্লবকী কগালি অনাল, ক্লাসা ক্লবকী এল বিদ্যানন্দ, এফসী জালেন ক্লবকী পিটর সিমিন্থাং হাওকিপ, রাও ক্লবকী দল্লিয়ু মাইকেল, কে আই ৱাস সী ক্লবকী এন জি জুনিশ, য়ু কে বি ক্লবকী কে রোনাল্ডো, ক্লাসা ক্লবকী এল গাজিৎচন্দ্র, এস এস য়ু ক্লবকী এন সুরজকান্ত, এস এস য়ু ক্লবকী এন লৈশেম্বা, ক্লাসা ক্লবকী কে অমরজিৎ, এ আই এম ক্লবকী এস কেনসননি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংদা এ এম এফ এগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রতন অমসুং বিষ্ণুপুরগী ওসী রাজেন খা-ঙানবা অনীনা পূক্লিং থৌগৎখি।

৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৯

# আই ৱাই সিনা অরাপতিবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): লংথবাল খৌপুম কলচরেল ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল খৌপুম প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৭শুবা ষ্টেট লেভেল ফোর্থ মেন সোক্কর ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আই ৱাই সি নরানখোঙজিনবু অরাপতিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা অরাপতি অমসুং আই ৱাই সি লম্বা তৌনখি। মেচ অসি আই ৱাই সিনা অরাপতিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

আই ৱাই সিগী মায়কৈদগী পাঞ্চল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ চিংখৈঙানবা জর্সি নম্বর ১৬, ৱাই সুরঞ্জয় জর্সি নম্বর ১৫, টি ঐচ জুগেশ্বর জর্সি নম্বর ১০নি। অদুগা অরাপতিগী মায়কৈদগী অমত্তা পাঞ্জল অদু টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৯ আই ইন্দ্রানা চনখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৩

১) মহাক ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি। মহাক হভার্দ য়ুনিভর্সিটিদা "International Socialism and Schumann Plan" কৌবা থেসিস অমদা রিছার্স তৌখি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

২) ওলিম্পিক গেমসকী আইস হোক্কি শান্নবগী থৌরমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম অসি মেচ তরুক শান্নবদা তরুকমক পোখি। মখোয়না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে, ফিনলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১৪-১দা মায়থীখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী পাঞ্জল অমা চনখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌবগে?

৩) অমুতোম্বী সিংহ, মনিরতন সিংহ, প্রেমকান্ত সিংহ, জোতিমোয় রোয়, ধনেন্দ্র সিংহ, শান্তিকুমার সিংহ। পীরিবা ফুটবোলগা মরী লৈনবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা মান্নদবা অমা খন্দোকউ।



৪) মিটর ১০০গী লমজেল তান্নবদা নুপা অসিনা ফাস্ত তারিবা লমজেলোয় অদুগী মতম (তাইমিং) লৌই। অহানবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৩নি। অনিশুবা নিপা অদুগী ঘরিগী মতমনা সেকেন্দ ১১.৪নি। করম্বা নুপানা পাইরিবা ঘরিগী মতমনা ওফিসিয়েল তাইমিং (Timing) ওইগনি।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হেন্দবোলগী ট্রায়েল সেলেক্সন য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): এম য়ু ইন্টর কোলেজ হেন্দবোলগী নুপা অমসুং নুপীগী টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ট্রায়েল সেলেক্সন অদু থা অসিগী ২৩দা ওইনা পাঙথোক্লগনি।

ট্রায়েল সেলেক্লগী মফম মতমদি অহোংবা লৈরোই। লোয়ননা ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ অসি থা অসিগী ২৫দগী ২৭ ফাওবা বিরমঙ্গোল কোলেজ শঙম্নুংদা পাঙথোক্কনি।

# ওফিসলশিং মতম চানা লাক্নবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর২১ (ঐচএনএস): হয়েংদগী হৌগদৌরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল লিগ ২০১৯গীদমক খল্লবা ওফিসলশিংনা মতম চানা লাক্নবা খঙহল্লক্লি।

খল্লবা ওফিসলশিং অদুদি মেচ কম্মিস্নারদা টি ঐচ তেজমনি সিংহ, আই জয়কুমার সিংহ, এস ইবোচাওতোম্বী সিংহ; রেফরিদা এ ভুবোন সিংহ, আর কে রঞ্জন, এন বিজেন সিংহ, য়ুলাং লাংসু, থাও জোনি চোথে, এস পুন্সি সিংহ, এন তোম্বনি হায়রি।




HL-P/3999/14,15,16...



HL-P/5672/15,16,17,19,20,21,22



HL-B/5679/1-30sept (alt.)-1-5oct.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com